## এডিটোরিয়েল

### লৈঙাক্না আর টি ঈ দা মীৎয়েং চংহন্নীংই

মণিপুরদা লাইরবা ইমুং কয়া অমগী অঙাংশিং ঙসিসু ইন্দিয়া লৈঙাকনা পীরিবা মহৈ তম্বগী হক অদু ফঙদনা লৈরি। মসি খঙদোক্নবা ঙসিগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবগী তঙাইফদবা অমা লৈরে। মমাংদা টার্ম অহুমলক লৈঙাক পায়খিবশিংনা লাইরবা ইমুংগী অঙাংশিং খঙদোক্লগা মহৈ তমহন্নবা থৌরাং পায়খৎপদা খরগী মখৈ পূকচেল শেঙনা থবক তৌখিদে হায়বা য়াই। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদবগী চাং অসি য়াম্না হেনগৎলে অমসুং লাইরিক তম্নস্বদগী তোকখিবগী চাং অসিসু হেনগৎলে হায়না লৌরি। অসিগুম্বা মতাং অমদা গভর্নমেন্টকী পোলিসি অমা ওইনা মীপুম খুদিংমক লাইরিক হৈহনগদবনি হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্নরগা রাইট টু এদুকেসন হায়বা এক্ট অমা পাস তৌই। হায়রিবা এক্ট অসিনা চহি ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং পুম্নমক শেল চংদনা লাইরিক তমহনগদবনি হায়রি। অদুগা নুপী ওইবী মহৈরোইশিংনা সেকেন্দরিগী থাক ফাওবা লেম্না লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা অদু ফংহনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লে। মসিদা অমুক সরকারগী স্কুলশিং নত্তবা প্রাইভেট স্কুলশিংদসু ক্লাস অমমমদা সিট খরা খরা লায়রবা মহৈরোইশিং অনকপদা লৈবা কাঙবু অদু মিং চন্দুনা লাইরিক তমহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকপা থেংনৈ। হায়রিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী অনকপদা লৈবা মহৈরোইশিং অদুনা লাইরিক তম্বদা চংবা চাং অদু গভর্নমেন্টকী স্কুলশিংদা থাদরিবা শেলফম অদু য়েংলগা অঙাং অমমমদা চংবা শেলফম অদুনা প্রাইভেট স্কুলশিং অদুদা সরকারগী মায়কৈদগী মতেং ওইনা পীগনি হায়বা অমসু তাই। হায়রিবা অসি পুন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সরকারগী স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা ওজা অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিং অদুগী পীরিবা তলবকী চাং অদুগা মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিংগী মশিংগী চাং অদুগা পাথোক্নরবা মতুং মহৈরোই অমদা চহি অমগী মনুংদা সরকারনা চাংচত্তা থাদরিবা শেলফম অদু ওইবা তাই। মসি ষ্টেটকী পোলিসি অমা নত্রগদি থবক্তা ওম্থোকপা হায়বসি ওইথোক্কদবা মান্দে। হৌজিক ফাওবা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদা এক্ট অসিগী মতাংদা খঙহনখ্রবা ফাওবা ষ্টেট অমত্তনা মশাগী ওইবা পোলিসি অমসুং আর টি ঈ গী মতুং ইন্না পীফম থোকপা প্রাইভেট স্কুলশিংদা য়ৌহনগদবা শেলফমগী চাং অদু শেমদ্রি অমসুং লেপ্পা লৈত্রি হায়না লৌবদা থোইনা লানগদবা মান্দে। করিগুম্বা সরকারনবু মহৈরোয় পুম্বা নত্রগা অঙাংশিংদা এদুকেসন পীগে হায়না খল্লগদি মরী লৈনবা গভর্নমেন্টশিংদা নত্রগা ষ্টেট এদুকেসন দিপার্টমেন্টশিংদা অকনবা পাউতাক পীদুনা এক্ট অসিগী মখাদা তঙাইফদবা থৌরাংশিং অদু মাংজৌননা পায়খৎফম থোকপনি। অদুবু হায়রিবা থৌরাং অসিদি ঙসি ফাওবা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমত্তনা পায়খৎপা উদে। মসিনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা পীগদবা হক অসি পুম্মাং মাংহল্লে হায়না লৌবা তাই। হৌখিবা চহি খরদগী হায়রিবা এক্ট অসি চৎননবা খঙহনখ্রবসু থবক্তা ওম্থোকপা ঙমদবা হায়বসি ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংগী অশোনবনি। মসিগী মথক্তা মরী লৈনবা সরকার অদুনসু এক্ট অসিগী মতাংদা মুন্না খঙদবনা মরম ওইরগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তবদগী হক অসি ফংহন্দবনি হায়না লৌবা তাবনি।

হৌজিক ষ্টেটসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা ফংলিবা শেলফম অসি গভর্নমেন্টকী স্কুলশিংদা লৈরিবা ওজাশিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফনা ফংলিবা তলবকী চাং অদুদগী য়াম্না শাথিনা খেন্নবা চাং অমদা লৈরিবনি হায়বসি খঙফম থোকই। করিগুম্বা আর টি ঈ চৎনবা তারগদি সরকারগী স্কুলশিংনা মহৈরোই অমদা থাদরিবা শেলফম অদু চপ চানা চহিগী ওইনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা এক্ট অসিগী মতুং ইন্না তমহল্লিবা মহৈরোইশিং অদুগী চাংচৎ অমা লেপ্লগা থাদবা তারগদি মদুনা স্কুল অদু চাউখৎহনবতা নত্তনা অফবা মহৈরোই কয়া পুথোক্তুনা মতিক চাবা লৈবাক অসিগী সিটিজেনশিং ওইনা শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগনি। হায়রিবা লম অসিদা নহা ওইরিবা অমসুং মীয়ামগী সেবাদা কখোক্তুনা লাক্লবা মণিপুরগী এদুকেসন মিনিষ্টরনা মীৎয়েং অমা অথুবদা চংবা ফরব্রা হায়বসি ঙসিগী মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি অমসুং মসিমক নৈনরিবনি হায়বসি খঙবা ফরে। মশাগী মতিং মথৌনা লৈবা নহা ওইরিবা মিনিষ্টর অসিনা পায়খৎকে খল্লবদি মাংজৌননা এক্ট অসিগী মখাদা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়ারিবনি। মসিদা কান্নবা ফংগদৌরিবসি মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনি অমসুং মদুগী মথক্তা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী কান্নগদবা মতিং লৈবা নাগরিকশিং পুথোকপদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী দাইত্ব অদু লৌখি হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুনা মীংচৎ পুম্বা লৌগদৌরিবনি। মসি পুম্নমক খঙনা সরকার অসিনা অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিবু পুরিবা মীহুৎনা চপ চাবা থবক মতম চানা লৌখৎপা তাই। মদুনা ষ্টেটসিগী নহা ওইরিবা মহৈরোই কয়াদা কান্নবা পীবগী মথক্তা ষ্টেট অসি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওইশিং লৈবা মফম অমনি হায়না শিংথানগদৌরিবনি। মদুগী মিংচৎ অদুসু মতম মতমগী ওইনা থৌ পুরিবা সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমসুং দিপার্টমেন্ট অদুবু পায়রিবা মিনিষ্টরশিংনা ফংজগদবনি। অমরোমদা য়েংলগা সরকারগী স্কুলশিংদা লৈরিবা টিচর অমসুং ষ্টুদেন্টস রেসিও অসি কদায় ফাওবগী চাংনো হায়বদু য়াম্না মীনম্বা লৈতনা মীয়ামদা খঙহনবা তাই অমসুং মদুদগী য়েংলগা অমসুং লেপ্লগা প্রাইভেট স্কুলশিং অসিদা মহৈরোইশিং থাজিল্লগা সরকারগী মতেং পীবা মতমদা সরকারগী থবক তৌরিবা ওজা নত্রগা নন-টিচিং ষ্টাফ অমনা ফংলিবা থাগী ইনকম অদুগী লাপ্নবা অদু শোয়দনা নকশিলহনবা ঙমগনি। অমরোমদা অফবা মহৈরোইশিংসু পুথোকপদা মতেং ওইগদৌরিবনি হায়বসি খঙহন্নিংই। মসিগী মতাঙদা ঙসিগী লৈঙাক্না করিগুম্বা রাইট টু এদুকেসন পীবা য়ারিবা অঙাংশিংগী মশিং অমসুং মখোয়গী লৈফম চপ চানা খন্দোক্লগা মখোয়দা মহৈ তম্বগী হক অদু চপ চানা পীনবা অমসুং মখোয়দা পীবা য়াবা মতেঙ পুম্বা এক্ট অসিগী মখাদা পীনবা থৌরাং অমা পায়খৎপা চুম্বরা হায়বসি লৈঙাকসিনা খম্থাহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### শীরবদা করিবু পুবা ঙমগনি?

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

মালেম পুম্বগী ওইবা শান্নবগী অথোই অহেন তান্নরকপদা শান্নরোই ময়ামগী মরক্তগী গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অহুমখক্তমক খূৎশিন্নদুনা ইকাই খুম্নে। মেদল ফংহৌদবা শান্নরোই কয়াদুদি মাইথীবা নংলবা ঙাক্তনি হায়বনি। অমুকসু করবার তৌবা মীওইশিংনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা তার্গেৎতি মায় পাকপা হায়বসিনি। অদুবু করবার তৌবা খুদিংমক মায় পাক্কনি হায়বদি লৈতে। মখোয়দুসু মায়থীবা ফংলবনি হায়বসি মীপূম খুদিংনা খংনরবনি। অদুবু হেন্না খঙজিনবা ফবদি মাইথীগনি হায়না কনানসু মীরক্তা থোক্লক্তে, ভোত লেপ্নদে। লমদমসিদদি মায়থীবদু অমুক্কসু মায়থীবা পিগনি খনবা মীওই থোক্লক্তুনা মশাগী মোরেল মীমাং থোক্না উৎনরক্লি হায়ব্সি অনৌবা নত্তে। ঙসি থারিবা উহৈ পাম্বীদুবু হয়েং মহৈ পালহনগনি খন্নরবদি লাই ওইগদবতা মঙাইরে। খাঙবা কনবা, ঙাইবা হৈবা, মীনুংশিগী ৱাখল য়াওদনদি মপূং ফাবা মী ওইদ্রি হায়বনি। ওইরোইদবদা কা-হেন্না ৱাখল থাদদুনা লৈরবদি মতমগী মমল মশক খঙদবা মীনি হায়রকপা তাবনি।

অফবা, অহেনবা, ফজবদা মীওইবনা ঙাওনরবসু লাইবক্না তম্লকপা খরতনা পুম্নমক্তুগী মপু ওইখিবনি, অয়াম্বদি ফুদিত্তা মাংজোং চোংনখিবা ঙাক্তনি। অহেনবা নাপলনা কয়াম কুইনা 'ঐ মঙাইরে' হায়বা ঙমগদগে? ঙসিগী নিংথৌ হয়েংগী চাক্লিবনি হায়বা প্রোভার্ব খক কাওরোইদবনি। নাপল থাদোকসি, ঐ মঙাইরে খলহৈদে, নখা থাববু নচিল ননাউগুম লোইনৌ, কৈদৌঙৈদসু য়েক্নবা থমগনু, অপিকপশিংসু ইমুং মনুংগী মপী মপা ওইরীবনি খম্বসি। নহাক্কী নোংমগী খরচনা কনাগী থা অমগী বজেদ ওইরিবনি খংজিনবা তম্মু। মীওইবগী পুন্সিগী মমলদা মন্তিক্লদবা তমগদবনি। কনানা অচৌবনো, কনানা অপিকপনো, কনানা নিংথৌনো, কনানা চাক্লিবনো? খুদিংমক চপ মান্নখিনি। শিরবা মতমদা ফুরা দলাল, পুক্কে লনগৈ অতোপ্পগী ওইহৌগনি। করিসু পুখিবা ঙমদনা মতমগী মতুং ইন্না অকাউ পরৈ চনখিনি। মীনা, মীগী হুমাংমমলগী চাকথুংদা মীনমদবা ফগনি, অরৈবগী কান্নবদা ৱাজরিবশিংগী অৱাবা ওইহন্বদি লাইনসু য়ারোই। থৌশিল খঙদনা অহৈ-অপা শাবদা কৈদৌঙৈ কোক শাহনগনু। মপুনা চান্নবা কান্নদবদা মীয়াম্বু খোইশাউনহনগনু। পুন্নমক নোংমদি শীরগদবা মীওইনি। করিবু পুখিনি শীরবদা?

অদোমগী
শ্রী কৃষ্ণকুমার
ইম্ফাল

# য়ুমগী ইঙ্খোলদা ইন্সাং-নাপী থাবা

*নবকিশ্বর ঙাংবম*

য়ুমগী ইঙ্খোলশিংদি লম য়াম্না পাক্নদবনিনা লৈহাও লৈবা লৈফম ওলহনবদা থোইনা লুদে। ভেজিটেবলশিংনা হৌবদা সেন্দি লোমগী লৈহাওদনা খ্বাইদগী চান্নে। তৌবদি মদুদা ওর্গানিক মেটর মরাঙ কায়না য়াওগদবনি। মফম অদু সেন্দি লোম ওইরমদ্রবদি কম্পোষ্ট নৎত্রগা ফার্ম-মেন্যুর মরাঙ কায়না হাপচিল্লগা লুনা ওৎখায়গদবনি।

লৈতান লম ওইরম্লবদি লৈঙোই য়াম্না হাপচিল্লগা চাংমান্ননা চাইখাইগদবনি। অদুগা লুনা খোইদুনা ওৎখায়গদবনি। এসিদিক (অশিনবা) লৈপাক ফনবা শুনু,আলকালাইন (অয়াকপা) লৈপাক ফনবা জিপসম হাপকদবনি। হাপকদবা চাংদি পি ঐচ ৬.৩ দগী ৬.৮ ফাওবগী মনুংদা ওইরক্নবা চাং অদু হোৎলগা হাপকদবনি। ইন্সাং নাপী অয়াম্বা হায়রিবা পি ঐচ কীং চাং অসিদা হৌবদা পক্লে। লৈহাও অদু কম্পোষ্ট নৎত্রগা ষম্থি ষণয়ুংগী চাংনা হেল্লবদি নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাশকী হার হাপকনি। অসুন্না চহি ১-২ গী মনুংদা লৈহাও অদু শেমদোকপা য়াগনি। ঈশিং থুনা চুপশিনবা ঙম্বা, লৈমায়দি থুনা কংখ্রগা ঈনিলদি লৈগনবা ফ্রোং ফ্রোং লাওবা লৈবাক্তা ভেজিটেবলশিংনা ফজনা হৌই। ইশিং হেল্লগা নুংশিৎ নুংশা ফংহন্দবা মরন্না ঈশৎ-ফত্তবা মফমদা ইন্সাং নাপীশিংনা ফবা ঙমদে।

অসুন্না শেল্লবা লৈফম অদু ইঞ্চি ১০-১২ অমুক লুনা তৌখায়রগা নুংশাদা নুমিৎ খরনি কংহল্লবা মতুংদা লৈতুমশিং অদু কুপ্না থুগায়বিরো। নাপী-শিংবী শেংনা মম্থোক্লগা লৈতেম মান্ননা তেমথোকপীগনি। কান্নদবা মহীক মতাইশিং মাঙহন্নবা কেপটান, থিরাম (চাদা ৫০) গুম্বনা স্কৱার ফিট ১০০ পাকপা লমদা কিলো তঙ্খায় অমমুক চঙনা চাইশিল্লগা ইঞ্চি ৩-৪ লুবা ফাওবা তোৎখায়হনবা ফৈ। হায়রিবা থৌরাং অসি পোৎ থাগদবা মতমদগী চয়োল ৩-৪ মাঙওইননা লোইশিনবীগদবনি। ইঙ্খোল অপূমবদুগী ফৈদোমশিং য়াৎলমদাইদা চখোক চৎশিন নুংঙাইনবা লম্বী খাকপগা লোয়ননা ঈশিং চাইরকপদা খুদোং চাগদবা ফিভমশিংসু য়েংগদবনি।

হার চাইবীগে হায়রবদি অরোইবগী লৌওন খোইদ্রিঙৈদা চাইবীয়ু। অদুগা মখোঙদা ওইনা হাপ্পীগে হায়রগদি পাম্বীগী অকোয়বদা নৎত্রগা পরেংগী নাকনদা পাম্বীদগী ইঞ্চি ২-৩ লাপ্না হন্দোক্লগা হাপ্পা ফৈ। মখোঙদা হাপ্পগী থবকসিনা ঙল্লিঙৈদা ফগৎপদা মতেং পাংই। লৈহাও ৱাৎলবদি নাকনদা হাপ্পগী থবকসি তৌনৈ। অদুগা ফোসফরসকা পোটাশকদি পামবীদা পাক য়ৌশিনবা ঙমদবা তৌদনবা পোৎ থাদ্রিঙৈ মাঙওইননা লৈবাক্তা হান্ননা হাপচিনবীনবা হোৎনবনা ফৈ। নাইট্রোজেন য়াওবা হারগীদি মখোঙদা হাপ্পসি য়াম্না কান্নে। মসিগীদমক য়াম্না ফবা হারদি এম্মোনিয়ম নাইট্রেটনি।

ভেজিটেবল খরদি চার শেম্বগী মহুত্ লৈবাক্তা হকথেংননা হুনজিল্লি। অসিগুম্বা মতাংগীদি ময়োল চোংবা নুঙাইনবা লৈবাক কুপহনবা, নিংথিনা খোইবনচিংবা চঙই। হঙ্গাম মুলা, বিট, গাজর, টরনিপনচিংবা অমসুং অতৈ মনা চাবা পামবীশিংসি কাঙলূপ অসিদা চল্লি। মখোয় অসিদি কোন্না অমুক অকুঙবা শত্তোক্তুনা চাং মান্নহনবা দরকার ওই। পরেং নাইনা হুনবনা খুদোংচাবায়াম্না হেনবতা নত্তনা য়েংবদা নুংঙাইবসু হেল্লহল্লি।

কোবী, কোবী থমচেৎ মানবী, নোলখোল, খামেন অশিনবা, খামেন অমসুং মোরোক্লচিংবা অসিদি চারা ওইনা হুল্লগা চয়োল ৪-৬ লৈরগা অতোপ্পা মফমদা লিংথোক্লে। চারাশিংদু ফোয়গদবা পূং খরগী মমাঙদা ঈশিং চাইশিন্দুনা লৈপাক্তু হোমহন্নে। নুমিদাংৱাইরমদা হোংদোকপা অমসুং মতম খরা অকনবা নুংশা য়ৈহন্দবা ফৈ। খূৎলোন্দ্রিবা ফাওবা ঈশিং খরা খরা চাইবীগদবনি। চাওখৎলকপগী তাংকক য়েংদুনা নাইট্রোজেন য়াওবা হার অমনা মখোঙগী অকায়বা নৎত্রগা নাকনদা হাপ্পীরগা ঈশিং চাইবিগনি। মখোঙ শোম্বা, নাপী পেংবা অমদি ঈশিং চাইবা মতম চানা চানা য়েংবিগনি। করিগুম্বা তীল নৎত্রগা লায়না তাবা থেংনরবদি মীদা শোকপগী চাং খ্বাইদগী হম্থুগদবা হীদাক ওইনা থাবীগনি। য়াম্না কনবা হীদাক্তি শীজিন্নরোইদবনি। মালাথাইওন (০,১ চাদা), কোপর ওক্সিক্লোরাইদ (০.৫ চাদা), মানেব (০.২ চাদা) অমসুং এনদোসলফেন (০.০৫ চাদা) হায়রিবা হীদাকশিং অসি মতাং চানা শীজিন্নবা য়াই। অদুবু লোক্লমদাই হাপ্তা অনিদা ঙাইরবশিংদদি শীজিন্নবা য়াদ্রে। পাম্বীদগী শুংবা, মীওইবদা শোক্লোইদবা হীদাকশিং শীজিন্নবসু ফৈ।

লমগী কয়াৎ য়াৎপদুদা তুংদা খুদোং চানবা মুন্না খলহৌগদবনি। করম্বা জগাদা করি থাগদগে খনবসি অরুবনি। খরনা চহি চুপ্পা হৌই খরনা ঋতু নাইনা হৌই। থবী, কারোননচিংবদি নাকলদা থাগদবনি। মুলি, গাজরনচিংবনা ফৈদোমশিংগী তাইনফমশিংদা থাবা য়াই। নুংশারোম থংবা নাকনদা অৱাংবা পাম্বীনা থৎচিল্লোইদবনি। চেংক্রুক, পালংশাক নচিংবা অশং অমানশিং থাবদা য়াওহনগদবনি।

কুম্বী কালেন নাইদনা চহী চুপ্পদা লেপ্পা লৈতনা অশংবা মনা মশীং হেকপা ফংহনবা হায়বসি থৌরাং য়াৎলিবা মহাক অদুনা হৈ-শিংবগী মখা য়াম্না পোল্লি।

# হিদাক শিজিন্নদুনা লৌ পেংবা (Chemical Method)

*ব্রজমনি থৌদাম*

হিদাক শিজিন্নদুনা লৌ পেংবা অসিমসু চাথোক লৈবা ফৌ থাবদা অনৌবা লৌউ পথাপকী নিয়ম অমা ওইনা নাপী হাৎননবা হিদাক লৌমীশিংনা পাক শন্না শিজিন্নরক্লি। হিদাকশিংগী মনুংদা 2,4-D পনবা য়াই। নিয়ম চুন্না শিজিন্নরবদি লৌরোক অমগীদমক হিদাক অসিনা লৌফমবু নাপী হৌহন্দবা ঙমই। অদুবু লৈপাক লৈহাও মাংহন্নবগী মরম অমা ওইবগা লোইননা ঈশিং শেংহনদনবগী মরম অমসু ওই। নাপী হাৎননবা হিদাক অসি শিজিন্নবা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইদে। মীওইবগী পুন্সিদা কিনিংঙাই য়াম্না লৈ। কালেন নিংথিনা খোইদবা, মমুৎ তানা পৎথ পুমথদবা, হিংজ্রোং কাইজ্রোং হিংনোই নোইরগা হুনবা অমসুং লিংবা, ঈশিং ৱাৎপা লৌফমদা হিদাক অসি শিজিন্নৈ। হিদাক অসি মখল অনী থোক্না খাইদোকই। নাপী মরু পোকখাইদ্রিঙৈদা চাইহৌনবা হিদাক অমসুং নাপী মরু পোকখাইখ্রবা, নাপীশিং অদুনা মনা অমা অনি পাল্লিঙৈ, পাম্বীনা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদা হাপহৌগদবা হিদাক। হিদাক মখল অনীমক লৌফমদা শিজিন্নবা তারক্লবদি নাপী হৌদ্রিঙৈ মরুশিংনা মতোল থোকত্রিঙৈদা চাইহৌগদবনি। কাওথুম কোকচাওবী, কাওনা হুইরি, মনা তুম্বা কাংবুদি মরু পোকখাইখ্রগা হাপ্পা কান্নবা ৱাৎলি। হিদাক্কী অখঙ-অহৈশিংনা পীরিবা চাংদগী হেন্না হাপ্লবদি ফৌ শিবতা নত্তনা লৈপাক মনুংদা লৈবা থৱাই পানবা লৈপাক লৈহাও কাহনবা ঙম্বা তিল অয়াম্বা শিহল্লী।

অহুনবা ফৌদা নুমিৎ ২০ নি শুরকপা মতমদা নাপী হিদাক হাপতুনা লৌ পেংহৌবা য়াই। ফৌনা নুমিৎ ২০ নি শুদ্রিঙৈদা হিদাক অসি চায়রবদি ফৌ শিগনি, শিহৌদ্রবসু ঙাংজেংনদুনা লৈগনি। অদুগা নুমিৎ ৩০ নিগী মতুংদা হিদাক অসি হাপলবসু নাপী চাওথোকখিদুনা নাপী শিহৌরোই।

অরিংবা লৌফমদা নাপী হিদাক হাপ্পা তারবদি লৌ লিংবা নুমিত্তগী নুমিৎ হুন্নি শুবা ফাওবগী মনুংদা হাপহৌরবদি নাপী হৌরোই। হাপকদবা হিদাক্কী চাংসু অখঙ অহৈশিংনা পীরিবা চাংদগী তাথনা শরুক অহুম থোকপগী অনিদমক চাইবনা কান্নবা অদুমক ফংই।

নাপী শিনবা হিদাক অসি নাপী য়াম্না চাওখ্রবা মতুংদা হাপ্তুনা নাপী হাৎকে খল্লবদি ৱাচেৎ উকায় নৎত্রগা উকায় অনানবনা তক্লবা পুং ৩/৪ গী মতুংদা নাপী শিনবা হিদাক চায়গনি মতুং নুমিৎ ৩ দগী ৫ নি ফাওবগী মনুংদা নাপীশিং অদুনা শিরুম -নারুম তৌরিঙৈদা শমচেৎ উকায় তকতুনা নাপীশিং লৌথোক্নবা তৌগনি। চিৎথহৌবা নাপী খুৎনা লৌথোক্কনি। নাপীশিংনা ঈশিংগা ফৌনাগা থেংনদ্রবা মতমদা নাপী হাৎনবা হিদাক চায়গদবনি।

নাপী হিদাক অসি চাইবা মতমদা ঈশিং য়াম্না লৈরবসু কান্নবা ফংদে, ঈশিং লৈত্রবসু কান্নবা ফংদে। ঈশিং খুদোল ১/২ গী চাংদা হেন্না লুনা থম্লোইদবনি। হিদাক চাইখ্রবা মতুং পুং ২৪ দগী পুং ৪৮ ফাওবা ঈশিং লৌফমদা থাজিনবা অমসুং ফাৎতোকপা য়াদে। নোং তারক্লগা লৌরি পাথোকতুনা ঈশিং চেনখিদনবসু হোৎনগদবনি। নুংশা শারিঙৈদা হিদাক চাইহৌবনা কানবা হেল্লী। হিদাক চাইখিবা পুং ৪৮ গী মতুংদা লৌপাক্তা হান্না লৈরম্বা ঈশিং থাদোকখ্রগা অনৌবা ঈশিং অমুক চনবা ঙমলবদি ফৌগী মশা ফগৎপা থুই।

ঈশিং লৈতবা লৌফমদা হিদাক অসি শিজিন্নদুনা লৌ পেংবা তারবদি মহি ওইনা কাপকনি। নাপীনা মনা ২/৩ দগী হেননা পাল্লকত্রিঙৈদা হাৎহৌনবা তৌগনি। হিদাক কাপনবা মচিনসু অখন্নবা মমাই মখারোমদা ওম্বদুনা পানবা খুৎনা নুংশিৎ হানবা স্প্রেয়ারগী মচিন শিজিন্নগনি।

ইশং কালেন্দা হাৎহৌদ্রগদি ঈশিং তারক্লগা খুৎনা লৌথোকপা মতম য়াম্না চংই। হিদাক্না হাৎপা তারকই। হিদাক্না ইশং হাৎকে হায়রবদি কোপর শলফেট শেলুসন (Copper sulphate solution) শিজিন্নগনি।

এগ্রোদোন ১৮% কিঃগ্রাঃ ১ লৌ শঙম অমদা লৈঙোই লৈচ্রেঙ নৎত্রগা লৈকুপ কিঃগ্রাঃ ২০ গা য়ান্নরগা চাং মান্ননা লৌফম শিনবা থুংনা চাইবা য়াই। নাপী হাৎপা ঙম্বা হিদাক মমিং খরা পীরি মচেটে, ষ্টাম এফ ৩৪, পঞ্চ, হারবিশাইড, নোকৱীড, বুতাক্লোর। হিদাকশিং অসি মতম মতমগী অহোংবা নাইগনি। অফবা অনৌবা তেক্নোলোজী শিজিন্নদুনা অনৌবা পুথোকপা লেপত্রি। হাপ্পগী চাং অমসুং পথাপ সরকারগী লৌউ লোইশংনা তাকপা পাওতাক্কী মতুংইন্না হাপকন্দবনি।

# শা-ষণদা তমথিনা ওৎ-নৈবীবা

*ডা. ৱাই বীরহরি সিংহ*

মীওইবনা য়েলহৌঙৈদগী শা-ষণগা লোয়নদুনা লাকই। মীগী মতেঙ শানা পাংই অদুগা শাগী মতেঙ মীনা পাংই। অমরোমদা মীওইবনা শা-ষণগী মতেঙ য়াওদ্রবদি হিংবদা ৱাগনি। মরম অদুনা শা-ষণবু মীওইবনা লুনা -চান্না তৌফম থোকই। অদুবু ঙসি চাওখৎলবা, সাইন্সকী মঙান ফংলবা মীওইবনা মরোল থোক্ত্রবা, পংলবা শা-ষণবু লুনা চান্না তৌবা কয়া উদে। মখোয়বু তমথিনা তৌবীবা অমদি ওৎ নৈবীরগা নুংঙাইবা কায়াসু য়াওদবা নত্তে। মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী লমদা শা-ষণবু ওৎপী নৈবীবগী খুদম কয়ামুক ফংই, মখোয়শিং অদু মখাদা মথং মথং পীরি।

মণিপুরগী চীংগী লম অয়াম্বদা শা-ষণগী পোত্থাফম, লৈফম শঙ্গোল নিংথিনা শাদুনা থম্বীদে, মরম অদুনা শা-ষণ অয়াম্বনা নোংজু নুংশা মরক্তা, উখোং ৱাখোংদা অহিং চুপ্পা য়ারেক্তুনা লৈ। করিগুম্বা মফমদা চীংমীশিংগী হরাও কুম্মৈ থোকপদা শা-ষণবু মঙক্তা, মচিদা নৎত্রগা মখোঙদা থৌরি অকনবনা উখোঙগা পান্ননা পুনশিল্লগা ময়াম চংদুনা হাৎপা থেংনৈ। শা অদুনা শীদ্রিঙৈদা য়াম্না তমথিবা মওংদা ওৎপী- নৈবীবদগী খাংঙমদনা শিবা উই। হৌজিক্কী চাওখৎলবা সাইন্সকী মতমসিদদি শা-ষণ হাৎপা তারবসু মখোয়দা থোয়না অৱাবা পীদনা মতম কুইনা চৈনাখোন ফাওহন্দনা হাৎপা য়ারে। মদুদি নোংমৈনা মরাইবক ময়াই তম্না অমুক্তদা কাপ্তুনা হাৎপা নৎত্রগা ইলেক্ট্রিক সোক তৌদুনা হাৎপা য়াই। অতোপ্পা অমনা শা-ষণগী মঙকশমদা লৈবা ঈ উতোং অচৌবদা হীদাক কাপ্লগা হাৎপসু তৌনৈ। মরম অদুনা শা-ষণদা য়াম্না হেন্না ৱারোইদবা মওং য়েংলগা হাৎপা ফৈ। নৎত্রগদি মখোয়দা ওৎপী নৈবীবগী দন্দি মখল কয়া ফংবা য়াই।

চীঙ অমসুং তম্পাক্কী লম খরদা মীওই খরনা ষণবু নোংঙানবদগী নুমিৎতাবা ফাওবা সুকলেপ লেপ্তুনা শম্পোৎ খোইবিবা য়াওই। মতুং ইন্নরিবা, শম্পোৎ খোইরিবা মী অদুদি ৱাবা ফাওবনিনা মহুৎ ঙৈহাক শীল্লগা শম্পোৎ খোইরিবা ষণদুদি নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা শুংশিন শীনবীদবা, অরাম খৌরাংবা কয়া পীবীদবা অসি শা-ষণনা য়াম্না থিনা ফুবী চৈবী, অসুন্না কা হেন্না শম্পোৎ খোয়বদা শীজিন্নবদগী, মতম খরা লৈরগা ষণ অদু থবক ৱামনবদগী শোম্থখিদুনা শিবফাওবা য়াওই। কনাগুম্বনা শম্পোৎ খোয়বদা তিংখং নৎত্রগা মচি পানবা শাজৈ শীজিন্নদুনা ষণবু ফুবীবদগী নঙ্গন ইহিং নাহিং শানা দাকফম নাইনা তমখিবা মওংদা ওৎপী নৈবীবা য়াওই।

মণিপুরগী মরু ওইনা তম্পাক্কী লমদা ষণগারী চিংবদা গারীদা নুং, চেক, উ-ৱা অমদি শিংনচিংবা কা হেন্না হাপচনবদগী ষণনা চীংবা ঙমদবদগী কুনথদুনা খাঙবা অদুদা নুংশি হৈতবা মপুদুনা শাজেনা থিনা ফুবীবা অদুগা নমদুনা ষণগারী মপোৎতু চিংহনবা কয়া থেংনৈ। অমরোমদা মখোঙ নাবদগী নিংথিনা চৎপা ঙমদবা ষণবু ষণগারী চিংবা অমদি শম্পোৎ খোয়বদা শীজিন্নবা য়াম্না চাওবা পাপনি। মরোল থোক্তবা শা-ষণনা মশা ঙমদদুনা নৎত্রগা মখোঙ নাদুনা চৎপা ঙমদবা ষণদা কনাগুম্বনা য়াম্না নুশিহৈতবা মওংদা চৈনা মথিগুন্দা থিংজন্দুনা নমদুনা হৌগৎহন্দুনা চৎহন্নবা হোৎনবা পুন্নমক শা-ষণদা য়াম্না নুংশি হৈতবগী খুদমনি।

ষণবু মমাই মমিৎ খুমজিনবীরগা থাউ শুম্বদা শীজিন্নবা, নুমীৎচুপ্পা থাউগী কোলু লৈহনব, চৈনা ফুদ্দুনা পোত্থাবা ফংহন্দবা অসিসু শা-ষণদা ওৎপী নৈবীবনি। মণিপুরগী খুঙ্গং খরদা ষণলাবশিংবু ৱাইনহন্দুনা পৈশা থানবা কয়া য়াওই। ষণশিং অদুনা অঙম্বা তান্নরকপদা মচি তেকপা, ৱাইফম চাদনা ৱাইবদগী অশেক অপন থোক্তুনা শিবফাওবা য়াওই। মসিসু শা-ষণবু নুংশিবা ৱাৎপনি। মীওই খরনা শা-ষণনা ঙহাক ইংখোল চংবা অমদি মনা মশিং খরা চাখিবদগী ষণদা থাঙনা য়ানবা, তানা থিনবীবা নৎত্রগা উতুপ-ৱাতুপ লংদুনা শা-ষণগী মখোঙ থুদেকপীবা কয়া য়াওই। মসিসু য়াম্না নুংশিহৈতবগী খুদম্নি। কনাগুম্বনা মাগী ষণদু ইংখোল চংগল্লি হায়দুনা নুমিৎচুপ্পা শজিক অমদি ঈশিং পীথক্তনা মচিন পুন্দুনা থম্বা য়াওই। মসিরা মীওইবনা শাবু নুংশিবা?

মীওইবনা শা-ষণবু মরোল থোক্তে, ঙাংবা ঙমদে, ঐখোয়না শীজিন্নবদা, তৌনিংবদা তৌবদা করিমত্তা মখোয়দা ফাওরোই হায়বগী ৱাখলসি লাল্লি। শাশিংগীসু অনাবা ফাওই, অকিবা খংই, অৱাবা লৈ, খৌরাঙবা ফাওই অমসুং নুঙাইতবা খংই অদুবু মখোয়না হায়দোকপা ঙমদবগী ৱানি। মখোয়বু মতম পুম্বদা নুংশিনা লোয়নবীবা, মখোয়গী অৱা-অনা কয়া খংবীবা মীওইব ঐখোয়গী তৌগদবা থবক্লি। মখোয়গী মতেঙ লৌবদা কা - হেন্না শীজিন্নরোইদবনি। ইংরাজিদা "Love of the animal is love of God" অসুন্না হায় মদুদি শা-ষণবু নুংশিবনা ঈশ্বরবু নুংশিবনি হায়না লৌগনি। ভারত সরকারনা ঙসি শা-ষণদা কা হেন্না তমথিনা ওৎপী নৈবীবা তৌদনবা আইন কয়া শেমদুনা থম্লে। আইনগী মতেঙনা শা-ষণদা মরম চাদনা থিনা তৌবীবা, ওৎপী-নৈবীবশিংবু দন্দি পীনবগী শক্তি পীরে। করিগুম্বা ষ্টেট খরদদি স্পিসেল পুলিস ফোর্স থাদোক্তুনা লম্বীদা অমদি মফম অতৈদা শা-ষণদা থিনা তৌবগী আইনশিং অমসুং পীগদবা দন্দি মখল কয়াগী মরমদা শম্লপ্না পীরি।

শা-ষণবু তমথিকনা ওৎ- নৈবীবগী (Cruelty to animals) মখাদা চাওরাক্না মখল অহুমথোক্না খায়দোকপা য়াই মদুদিঃ-

(ক) শা-ষণদা ফত্তবা তৌবা (Michief)

(খ) শা-ষণদা নুংশি হৈতবা (Cruelty)

(গ) শা-ষণদা তৌহৈদবা থবক তৌবা (Bestiality)

**(ক) শা-ষণনা ফত্তবা তৌবা (Michief)**

শা-ষণবু য়াম্না ওৎ- নৈবীরগা নুংশিহৈতনা হাৎতোকপীব, চৈনা উতুপ্না ফুদুনা মতম শাংনা লাক্নরগা হাৎপা, মখোঙ মখুৎ ককথৎতুনা হাৎপা অমসুং হু পীজদুনা নুংশিহৈতনা হাৎপা পুন্নমক অসি শা-ষণদা ফত্তবা তৌব (Michief) নি। অসিগুম্বা নুংশি হৈতনা লাক্নরগা হাৎপগী মীদুদা পীবা য়াবা দন্দি Indian Penal Code (I.P.C) গী সেক্সন ৪২৪ অমসুং ৩২৯ দা নিংথিনা পীরি মদুদি মথক্তা পনখ্রিবা শা-ষণদা ওৎপা-নৈবগী থবকসি তৌরবদি লুপা ৫০ দগী ১০০ ফাওবা ফাইন তৌবা য়াই। নৎত্রগা ফাইনসু তৌবা অদুগা জেলদসু থম্বা পুন্না দন্দি পীবা য়াই।

**(খ) শা-ষণদা নুংশি হৈতবা (Cruelty):**

মখল অসিগী মখাদা শা-ষণদা ওৎপীবা, ষণগারীনচিংবদা মপোৎ হেন্না হাপচিন্দুনা চিংহনবা, শম্পোৎ খোইবদা নুমিৎচুপ্পা শীজিন্নদুনা শা-ষণবু চরা হেনহনবা, অৱাবা কয়া পীবা অমসুং মশা ঙমদবা মখোঙ নাবা ষণবু নমদুনা থবক্তা শীজিন্নবা হোৎনবা লোয়ননা শঙ্গোম ষণবীদা হীদাক কাপশিন্দুনা কা হেন্না শঙ্গোম লৌথোক্নবা তৌবা পুন্নমক অসি "Prevention of cruelty to animal Act 1960" গী মখাদা দন্দি পীবা য়াই। এক্ট অসিগী মখাদা শা-ষণদা নুংশিহৈতনা তৌবা মীওইবু ফারগা লুপা ৫০ ফাওবা ফাইন তৌবা য়াই নৎত্রগা থা ১ ফাওবা জেল পীবা য়াই নৎত্রগা ফাইনসু লৌবা জেলদসু থম্বা অনীমক দন্দি ওইনা পীবা য়াই। করিগুম্ব নুপাদুনা থওইদনা চহী ৩ গী মনুংদা শা-ষণদা ওৎপগী মরাল ফংলবদি অনীরক শুবা দন্দিদি ফাইন লুপা ১০০ নৎত্রগা থা ৩ জেল পীবা নৎত্রগা ফাইনসু তৌবা জেলসু পীবা দন্দি অনীমক পীবা য়াই।

**(গ) শা-ষণদা তৌহৈদবা থবক তৌবা (Bestiality):**

শা-ষণদা তৌহৈদবা থবক তৌবা হায়বদি মীওইবনা ষণ অমোমগা শন্নবা Sexual intercourse তৌব, মসিসু শা-ষণদা নুশিহৈতবা মওংনি। অসিগুম্বা মীওইবগী শাজৎ লৈতবা মীবু Indian Penal (I.P.C.) গী Section 377 I.P.C. গী মখাদা দন্দি পীবা য়াই মদুদি য়াম্না চাওখ্রে - চহী ১০ নৎত্রগা জীলা খরচ (Transportion of life) তৌব য়াই নৎত্রগা ফাইন লিশিং ৫ দগী ১০ ফাওব তৌবা য়াই।